**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১ ) পি.কে. গোয়লনা হয়েংদগী মণিপুরগী চীফ সেক্রেতরি ওইরগনি।

২) সিত্তিং ২১ লৈগদবা ১৮ শুবা লোক সভাগী ৫ শুবা মীফম হয়েংদগী হৌরগনি।

৩) ভারতনা এদ ফেল-সি ভেক্স কৌবা মালেরিয়াগী অনৌবা ভেক্সিন অমা পুথোকবা হোৎনরি।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী য়ুনাইতেদ কিংদম অমসুং মোলদ্বিপসগী খোঙচৎ লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী হৌরগনি।

অমসুং

৫) নুমিৎ হুমি চৎথরকপা ভারতপু ড্রগ ফ্রি ওইবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী য়ুথ স্প্রিচুয়েল সম্মিৎ ঙসি কাশি দিক্লারেসনগা লোয়ননা লোইশিনখ্রে।

------

পিকে গোয়ল (এল)ঃ মণিপুরগী নৌনা খল্লবা চীফ সেক্রেতরি পুনিত কুমার গোয়ল ঙসি ইম্ফালদা থুংলখ্রে। মহাকা হয়েংদগী রাজ্য অসিগী চীফ সেক্রেটরিগী থৌ পুরগনি।

১৯৯১ বেটচকী এ.জি.এম.য়ু.টি কেদর আই.এ.এস ওফিসার পুনিত কুমার গোয়লবু রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ওইনা থৌ পুনবা কেবিনেটকী এপ্পোইমেন্ট কমিতিনা থা অসিগী ১৬ তা খনখিবনি। মহাকা ঙসি ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা থুংলবদা রাজ্য সরকারগী ওফিসিয়েল অমদি এয়ারপোর্ট ওফিসিয়েলশিংনা তরামা ওকখি।

রামেশ্বর (এল)ঃ  ককচিং কেন্দ্রগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাহন্নবগীদমক পেবর ব্লোক টেকোলোজি শিজিন্নদুনা শেম্বা লোইরবা হেপ্পিলেন্দগী লম্বী ঙসি এম.এল.এ- ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম.এল.এ, রামেশ্বরনা হায়- পল্লেলগী ওইনা পেবর ব্লোক টেকোলোজি শিজিন্নদুনা শেম্বা লম্বী  অসি ঙসিগী অসিনা অহানবনি। টেকোলোজি অসি মীয়ামা পামবনা মায় পাকপা হায়বদু ওইরে। মহাকা হায়- পল্লেলগী মরুওইবা লম্বীশিং শেমজিন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি।

নৌনা শেম্বা লম্বী মীয়ামদা খুৎশিন্নরবা তুংদা পল্লেল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এস. জোয়কুমারগী য়ুমদা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদ্দা পল্লেলগী মীয়ামা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি মখা তানা পল্লেলদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা খঙহনখি।

কেম্প (এল)ঃ থৌবাল অমদি ককচিং জিলাদা লৈবা চাইল্ড কেয়ার ইন্সটিট্যুসনশিংদা লৈবা অঙাংশিংগী ওইবা মেগা হেলথ কেম্প অমা ঙসি কৈরক্তা লৈবা মোর্নিং ষ্টার চিলড্রেন্স হোম ফোর বোইজগী কম্পাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসি দিপার্টমেন্ট ওফ পেদিয়াদিয়াত্রিক্স এন্দ প্রিভেন্তিভ দের্ন্টিষ্ট্রি দেন্টেল কলেজ রিমস ইম্ফাল, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত ককচিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা পুন্না শিনবনি। কেম্প অদুদা থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাগী তোঙান তোঙানবা চাইল্ড কেয়ার ইন্সটিট্যুট ১৫ দগী লাকপা অঙাং ৩০০ লোম লায়েংখি। লোয়ননা হিদাক লাংথক অমদি মহৈ মশিং

তম্বদা চংবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি।

ককচিং (এল)ঃ লাইব্রেরি এন্দ ইনফোমেসন সেন্তর ককচিংনা লেপ্লা লৈতনা নোংমাইজিং খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা স্পেসিয়েল সনডেগী থৌরম ঙসি লাইব্রেরি অসিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সেদ্যুল কাষ্ট মহৈরোইশিংগী নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ)না লৌবা ক্লাস আইট পরিক্ষা পাস তৌরবা মহৈরোইশিংগী স্রেস্তা রেসিদেন্সিয়েল ইজ্কেসন ফোর ষ্টুদেন্টস ইন হাইস্কুল ইন টার্গেতেদ এরিয়াজ ২০২৫ গী মখাদা ক্লাস নাইনদগী তুয়েল্ব ফাওবা ভারতকী খনগৎলবা মহৈ তম্ফমশিংদা লেমা মহৈ তমথনবগী মতাংদা খঙহনখি।

অমরোমদা, থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংখিবশিংনা জ্বেনাইল জষ্টিস এক্ট, অঙাংশিংগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং স্রেস্তা স্কিমনা সেদ্যুল কাষ্ট মহৈরোইশিংদা পীরিবা খুদোংচাবশিং মতাংদা পাউদমখি।

ড্রামা (এল)ঃ কেন্দ্র সরকারগী কলচর মন্ত্রালয়গী নোর্থ সেন্ত্রেল জোন কলচরেল সেন্তর (এন.সি.জেদ.সি.সি)গী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ড্রামাতিক য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা নুমিৎ মঙানি চুপা চথরকপা ৯ শুবা ওল মণিপুর ফোল্ক ড্রামা ফেষ্টিভেল ২০২৫ ঙসি লোইশিনখ্রে।

মণিপুর ড্রামাতিক য়ুনিয়নগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি ইম্ফালগী সেক্রেতরি সুনন্দ থোকচোমনা হায়-মমাংঙৈ মতমদা লমদম অসিগী চৎন লোনচৎ কয়া ফোল্ক প্লে ওইনা পুথোক্তুনা লাক্লি। মখা তানা তোঙান তোঙানবা ফেষ্টিভেল কয়া পাঙথোকহন্নিংবগী অপাম্বা ফোংদোকখি। লোয়ননা একাদমিগী মাইকৈদগীসু মতেং পীনবা খন্নগনি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা থানিল লৈমানা লমজিং লমতাকপা খেনজোনলাংগী আর্টিষ্টশিংনা শান্নবা ড্রামা পিদোনু উৎখি।

রিলিফ (এল)ঃ নোনে জিলাগী খৌপুমদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি, নোনে দিষ্ট্রিক্টনা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬ তা খৌপুম তম্পাক্তা থোকখিবা ঈচাউ অদুনা মরম ওইরগা য়ুম ২৪ য়াওনা লৌ কয়া ঈশিংনা থুমজিনদুনা অমাং অতা থোকখি।

তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপা অদুদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি নোনে দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী চেয়ারমেন কেনন কামৈ, সেক্রেতরি অগুই কামৈ অমদি নোনে দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিতকী মীওইশিং শরুক য়াখি।

পেন্সন (এল)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা খুল ঙাকপা মীওই ১০ গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা অপুনবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র তেংবাং লুপনা পেন্সনগী শেনফম পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। মখা তানা লৈখিদ্রবশিংগী লৈহৌরিবা অঙাংশিংগী মহৈ মশিং তম্বদসু লুপ অসিনা মতেং পাংগনি হায়রি।

এমপিপি (এল)ঃ মণিপুর পিপলস পার্তি (এম.পি.পি)দা নৌনা মীওই কয়া য়াওরকখ্রে। শুগনু কেন্দ্রগী মনুং চনবা ককচিং খুনৌগী তোঙান তোঙানবা লৈকাইশিংদগী মীওই কয়া দল অসিদা য়াওরপদা তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি দল অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সেন্তিনারি (এল)ঃ চহি অমা চুপা চত্থগদবা লাইশ্রম সমরেন্দ্র বার্থ সেন্তিনারি সেলেব্রেসনগী থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা হৌদোকখ্রে। থৌরম অসি লাইশ্রম সমরেন্দ্র বার্থ সেন্তিনারি সেলেব্রেসন কমিতিনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অসামগী প্রসিদেন্ট ফুরিৎশাবম বিরামনিনা হায়- হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা লৈবাক নীংবগী ঈথিল পীনবগী ব্রাখল্লোনদা লৈখিদ্রবা শকাইরবা কবিশিংবু নিংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

মীফম ঃ হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম অয়েৎ অপন লৈতনা নিংথিনা পাঙথোকপা য়ানবা সরকারনা ঙসি রাজনীতি দল পুমমক্কী ওইবা মীফম অমা কৌদুনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসি চথ্খবদা বিরোধি দলশিংগী মাইকৈদগী মপুং ফানা মতেং ফংবা ঙমবগীদমক সরকারনা মীফম অদু কৌখিবনি।

লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবা ওইরিবা মীওই কয়ানা মীফম অদুদা শরুক য়াখি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমসুং রাজ্য সভাগী লুচিংবা ওইরিবা জে.পি. নদ্দানা মীফম অদুগী সভাপতি ওইখি। অদুগা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ, পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারসকী রাজ্য মন্ত্রিশিং আরজন্ রাম মেঘৱাল অমসুং ডাঃ এল. মুরুগনসু মীফম অদুদা য়াওখি।

কংগ্রেস দলগী ওইনা গৌরব গোগোই অমসুং প্রমোদ তিৱারি, এন.সি.পি-এস.সি.পিগী সুপ্রিয়া সুলে, দি.এম.কেগী তিরুচি শিব অমসুং বি.আর. বালু, সমাজৱাদি পার্তিগী রাম গোপাল যাদব অমসুং এ.এ.পিগী শঞ্জয় সিংহসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি।

হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সংসদকী মীফম অসি ওগষ্ট ২১ ফাওবা চথ্খগনি। মাফম অসিদা সভা অনিমক্কী ওইনা পুন্না সিত্তিং ২১ লৈগনি।

মীফম অদুগী তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়- মীফম অদু য়ামা নিংথিনা পাঙথোকখি অমসুং সভাগী লুচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী দলশিংগী ফিরেপ অমসুং মখোয়না মীফম চথ্খরিঙৈদা পুখৎনিংবা ৱাফমশিং ফোংদোকখি।

শ্রী রিজিজ্না হায়- সরকারনা সভা অনিমক্কী মীফম নিংথিনা পাঙথোকপা য়ানবা বিরোধি লুচিংবশিংদা হায়জখি। মহাকা হায়- সরকার পায়রিবা অমদি বিরোধিগী সদস্যশিংনা অমনা অমবু তেংবাং পীনদুনা পুন্না থবক তৌমিন্নগনি। সরকারনা ওপরেসন সিন্দুরগুম্বা মরুওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা সংসদতা মপুং ফানা খন্ননিংবগী অপাম্বসু মহাকা ফোংদোকখি।

মীফম অসিদা জন বিশ্বাস (এমেন্দমেন্ট ওফ প্রোভিজন্স) বিল ২০২৫, নেসনেল স্পোর্টস গভর্নেন্স বিল ২০২৫ অমসুং মারচেন্ট সিপ্পিং বিল ২০২৪ য়াওনা মরুওইবা আইন কয়া পুথোক্তুনা খন্নরবা মতুংদা পাস তৌরবা য়াই।

অকাশবানিগী নিউজ সার্ভিসেস দিভিজন্না সংসদকী নোংজ্ মীফমগী মাংওইননা ঙসি নুমিদাং অখন্নবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা শন্দোক্কনি। সংসদকী মমাংদা তারিবা ৱাফমশিং হায়না মীংথোনবা থৌরমনা অকাশবানি রেনবোদা অদ্গা সংসদ কে সমক্ষ মুদে হায়না মীংথোনবা থৌরমনা অকাশবানি গোল্ডদা নুমিদাং পুং ৯ মখায়দগী ১০ ফাওবা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি অকাশবানিগী ৱেব সাইট নিউজ ওন এ.আই.আর. দোট গোভ দোট ইন অমসুং য়ু ট্যুব চেন্নেল নিউজ ওন এ.আই.আর ওফিসিয়েলদসু তাবা ফংবীগনি।

মালেরিয়া ঃ ভারতনা এদ ফেল-সি ভেক্স কৌবা মালেরিয়াগী তোঙান তোঙানবা তাঙ্কক্কী ওইবা ভেক্সিন অমা পুথোকবা হোৎনরি। তিল-কাঙনা চিকপদগী পাক শন্না লায়না শন্দোরকপা হন্থহন্দুনা মীওইবদা নাহনগদবদগী ঙাকথোকপা ঙমহন্নবগী পান্দমদা ভেক্সিন অসি পুথোক্কদবনি।

এদ ফেল-সি ভেক্স অসি মালেরিয়া লায়নাবু মপুং ওইনা শন্দোক্লিবা পেরাসাইদ প্লাস্মোদিয়ম ফেলসিপেরমগী শাথিরবা তাঙ্কক অনিদগী ঙাকথোকবা পান্দম থমদুনা অখন্ননা লৈবাক অসিনা পুথোকপা রিকনভিনেন্ট চিমেরিক মালেরিয়া ভেক্সিননি।

ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই.সি.এম.আর)না দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেকলোজি-নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইম্ম্যুনোলোজি (দি.বি.টি-এন.আই.আই)গা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মল্টি ষ্টেজ মালেরিয়াগী ভেক্সিন অসি পুথোক্কদবনি।

লোকোমোতিভ ঃ বনারস লোকোমোতিভ ৱার্ক্স (বি.এল.দব্লিউ)না হোর্স পৱার লিশিং ৬ কী ৱেপ-সভেন ক্লাস ইঞ্জিন য়াওবা ইলেক্ট্রিক লোকোমোতিভ লিশিং

২,৫০০ পুথোকখ্রে। মসিদা এয়ার কন্দিসন কেবিনশিং, রিএল টাইম মোনিটরিং সিষ্টেম, রিজেনেরেতিভ ব্রেকিং অমসুং পুংদা কিলোমিতর ১৪০ গী চাংদা ওপরেট তৌবা য়াবা মোদিফাইদ গ্যার রেসিও অমা য়াওরি।

বি.এল.দব্লিউনা অসিগুম্বা রেলগাড়িশিং অসি চহি ৮ গী মনুংদা পুথোকপা ঙমখিবনি। পাব্লিকশিংদা ৱা ঙাংবদা বি.এল.দব্লিউগী জেনেরেল মেনেজর নরেশ সিংহনা হায়- হৌজিক ফাওবদা ফেক্তরি অসিনা দিজল ইঞ্জিন লিশিং ৭,৪৯৮ য়াওনা পুন্না লোকোমোতিভ লিশিং ১০,৮২২ পুথোকখ্রে। হন্দক্তসু মোজামবিকতা লোকোমোতিভ কয়ামরুম পীখিবনি। শেনবা চহি ২০২৪-২৫ খক্তদা পুন্না ইলেক্ট্রিক লোকোমোতিভ ৪৭২ পুথোকখি অমসুং ফেক্তরি অসিনা চহি অসিদা লোকোমোতিভ ৫৫৩ পুথোকবা পান্দম থল্লি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী য়ুনাইতেদ কিংদম অমসুং মোলদ্বিপস লৈবাক অনিগী খোঙচৎ থা অসিগী ২৩ দগী হৌরগনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী মোদিনা য়ুনাইতেদ কিংদমনা থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৪ দা চৎকনি। মহকা য়ুনাইতেদ কিংদমগী প্রধান মন্ত্রি ষ্টার ষ্টামরগা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি। লুচিংবা অনিনা লমদম লমদমগী ওইবা অমদি মালেমগী ওইবা হিরম কয়াগী মতাংদসু ৱারী শান্নগনি। প্রধান মন্ত্রি কিং চার্লস থ্রিগসু উন্নরবা য়াই।

মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা লৈবাক অনিগী ওইবা কম্প্রিহেন্সিভ ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপকী মতাংদসু খন্নগনি। লল্লোন ঈতিক, টেকোলোজি, ইনোভেসন, দিফেন্স অমসুং সেক্যুরিতি, ক্লাইমেট, হকশেল, শিক্ষা অমসুং লৈবাক অনিগী মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী থমবগী মতাংদসু খন্নগনি।

হন্দক্কী প্রধান মন্ত্রি য়ুনাইতেদ কিংদম অসিনা লৈবাক অদুদা চৎপা মরিসুবা খোঙচৎনি। মদুগী তুংদা শ্রী মোদিনা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা মোলদ্বিপসতা চৎকনি। মহাকপু মোলদ্বিপসকী রাষ্ট্রপতি ডাঃ মুহমদ মুইজ্না বার্তন তৌরকপদগী চৎপনি।

মোলদ্বিপসকী ৬০ শুবা নীংতম নুমিৎ থোৗরমদা শ্রী মোদিনা অথোইবা আতিথি ওইনা শরুক য়াগনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা ৱারী শান্নগনি। হন্দক্কী অসিনা শ্রী মোদিনা মোলদ্বিপসতা চৎপা অহুমসুবা খোঙচৎ ওইরগনি।

সম্মিৎ ঃ চাওখৎপা ভারত অমা ওইহন্নবা ড্রগ ফ্রি য়ুথ হায়বসিদা পাঙথোকপা নুমিৎ হুমিগী য়ুথ স্প্রিচুয়েল সম্মিৎ ঙসি কাশি দিক্লারেসনগা লোয়ননা লোইশিনখ্রে।

মীফম অদুদা নহারোলশিংনা ড্রগ লান্না শিজিন্নবা থিংনবগীদমক লৈবাক শিনবা থুংবদা কেম্পেন চথনবা ৱারেপ লৌখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মান্দভিয়ানা হায়- চাওখৎপা ভারত অমা ওইহন্নবগী পান্দম ফংনবা হোৎনবদা নহারোলশিংগী থৌদাং য়ামমক তঙাইফদে হায়না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৌই। কাশি সংকল্প পত্রদা নহারোলশিংনা ড্রগ লান্না শিজিন্নবা পুমথিং থিংনবা রোড মেপ অমা য়াওরি।

মীফম অদুগী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা হিমাচল প্রদেশকী রাজ্যপাল শিব প্রতাপ শুক্লানা হায়- নুমিৎ হুমি চুপা খন্ন-নৈনখিবা অদুদা নহারোলশিংনা ড্রগ লান্না শিজিন্নবা থিংনবা লৈবাক অসিনা অমত্তা ওইনা লেপবগী মরু হুনখি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি রক্সা নিখিল খরসে অমদি রাজ্য সরকারগী মন্ত্রি কয়াসু শরুক য়াখি। স্প্রিচুয়েল ওর্গনাইজেসন ১২০ হেনবগী নহা মীহুৎ ৬০০ হেনবনসু শরুক য়াখি।

এএপি ঃ আম আদমি পার্টি (এ.এ.পি) ইন্দিয়ান নেসনেল দিবলপমেন্টেল ইনক্লুসিপ এল্লাইয়েন্সতগী তোক্লে। এ.এ.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা সঞ্জয় সিংহনা পাউমীশিংদা হায়-এল্লাইয়েন্স অসি ২০২৪ গী সধারন মীখলগীদমক শেমখিবনি। মদুগী তুংদা, এ.এ.পিনা হরিয়ানা অমসুং দিল্লি বিধান সভা মীখলদা

মরোমদোম থেংনখিবনি। এল্লাইয়েন্স অসিগী ঙরাং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা সংসদকী নোংজ্ মীফমগী মাংওইননা পাঙথোকখিবা মীফমদা আম আদমি পার্টি শরুক য়াখিদে।

ফৌজা ঃ মালেমদা মমিং লৈরবা খ্বাইদগী অহল ওইরবা মরাথোন রন্নর ফৌজা সিংহগী অরোইবা মথৌ মঙম মহাক্কী পোকফম পঞ্জাবকী জলন্ধর জিলাগী বিয়াসতা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মপুং ফাবা ইকায় খুমবগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পঞ্জাবগী রাজ্যপাল গুলাব চান্দ কতারিয়া অমসুং মুখ্য মন্ত্রি ভগৱন্ত সিংহ মানসু শরুক য়াখি। চহি ১১৪ শুখ্রবা ফৌজা সিংহ থা অসিগী ১৫ দা মহাক্কী খুল মনাক্তা লম্বীগী এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদবনি।

ভিয়েটনাম ঃ ভিয়েটনামগী হা লোং বেদা লম কোয়বা মীওইশিং তোংবা হি অমা লাকশিনখিবগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মীগী মশিং ৩৮ শুখ্রে। হি অদুদা তোংখিবা থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওইশিং থিবগী থবক মখা তানা চখরি। খুদোংথিবা থৌদোক অদু ঙরাং অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা থেংনবদগী ওথোরিতিজগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদ্রবা মতুংদা হি অদু লুপখিবদগী থোকখিবনি। হি অদুদা ক্রু মেম্বর ৫ অমসুং লম কোয়বা মীওই ৪৮ তোংখিবনি। মীওইশিং অদু অয়াম্বনা নহা অমদি অঙাং ঙাক্তনি হায়রি। নোং চীংগী ফিভম ফত্তবা অমদি অকনবা নোং চুদুনসু মী কনবা কাংবুনা কন্না হোৎনবদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ১০ দি কনবা ঙমলে হায়রি।

ডে ঃ ১৯৬৯ গী জ্লাই ২০ দা মীওইবনা থাদা ইহান হানবা ওইনা খোঙদাখিবা ঐতিহাসিক ওইরবা এপ্লোলো-এলেভেনগী মিসন অদুবু নিংশিংবা ওইনা ঙসি ইন্তরনেসনেল মুন ডেগী পালন থৌরম পাঙথোক্লি। আউটর স্পেচপু শান্তি ওইবা থবক থৌরমশিংদা শিজিন্নবগীদমক শেমখিবা কমিতিনা হায়রকপদগী ২০২১ দগী থৌরম অসিবু য়ুনাইতেদ নেসন্সকী জেনেরেল

এসেমব্লিনা ওফিসিয়েল ওইনা শক খঙখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ  জ্নিয়ার বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর ডাক্তর বি.সি. রোই ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-সিগী মেটচ অমদা মণিপুরনা ঝারখন্দবু পাঞ্জল ৮-১ দা থোইখ্রে।

গুরুনানক দেব য়ুনিভর্সিতি স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমৃটসরদা শান্নখিবা মণিপুরগী মেটচ অসিনা নোর্থ ইষ্ট টিমশিংগী অহানবা মেটচনি। ঙসিগী মেটচ অদুদা অমোম খৃষ্টনা পাঞ্জল ৪ চনদুনা প্লেয়ার ওফ দ মেটচ তাখি। লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা মণিপুর অমদি উরিষা শান্নগনি।

বোদি বিল্ডিং ঃ  মরিসুবা মিষ্টর ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট ২০২৫ গী মেন্স স্পোর্টস ফিজিকতা দি.জে. জিম এন্দ ফিটনেস ককচিংগী নোংমাইথেম অরিয়াল, জ্নিয়রদা জিম অসিগী ময়াংলম্বম ওলেনজিৎ অমদি সেনিয়রগী কাংলুপ্তা লমখায় লাইরেন্বী শান্নবুং ৱাবগাইগী মাইবম রোবার্টনা অহানবা তারে। ওল মণিপুর বোদি বিল্ডির এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডর এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা চাংদমবা অসিদা তোঙান তোঙানবা জিম মরিদগী লাকপা শান্নরোই ১৩ না শরুক য়াখি।

রেষ্টলিং ঃ  হঙ্গেরিগী বুদাপেসতা চৎখরিবা রেষ্টলিংগী ফোর্থ রেঙ্কিং সেরিজ-পোলয়াক ইমরে বরগা জানোস মেমোরিয়েলদা ভারতকী নুপী রেষ্টলরশিংনা লুপাগী শেঙ্গেংগী তকমান অমমম লৌখ্রে।

তুরনামেন্ট অসিনা প্রিয়া মালিকনা কিলোগ্রাম ৭৬ কী কাংলুপ্তা লুপা তকামন অমদি এসিয়ান চেম্পিয়ন মনিসানা শেঙ্গেংগী তকমান লৌখি। ঙরাং

ফাওবদা ভারতনা সনাগী তকমান অহুম, য়াওনা পুন্না তকমান লৌবা ঙমখ্রে।

এথলেটিক্স ঃ পোর্তুগাল স্পোর্টস মিটকী এথলেটিক্সতা ভারতকী মুরালি শ্রীশঙ্করনা লোংজম্পকী টাইটল লৌখ্রে। মহাকা মিটর ৭.৭৫ চোংদুনা টাইটল অসি লৌখিবনি। ইভেন্ট অসি ৱার্ল্ড এথলেটিক কন্টিনেন্টেল টুর ব্রোঞ্জ লেবেল মিটকা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। ইভেন্ট অসিদা পোলেন্দনা অনিসুবা অমদি ওষ্ট্রেলিয়ানা অহুমসুবা তাখি।

------